# দিস্কস থ্রোৱর বিকাস গোদা এসিয়ান এথলেটিক চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ান্নবগী অয়াবা ফঙখ্রে

ভুবনেশ্বর, জুলাই ০৪ঃ

চৎলিবা থা অসিগী ৬তগী উরিষাগী কোনুং সিটি ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গ ষ্টেদিয়মদা হৌগদৌরিবা এসিয়ান এথলেটিক চেম্পিয়ন্সিপ্তা নুপাগী দিস্কস থ্রো দিসিপ্লিনদা মমাংগী চেম্পিয়ন ওইরিবা ইন্দিয়াগী বিকাস গোদা শরুক য়ারগনি হায়না এথলেটিক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

চহি ২।২ লৈরগা পাঙথোকপা এসিয়াগী এথলেটিক্সকী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা এথলেটিক পুম্বা কনফমেটরী ট্রাইয়েল অমা হান্না পাঙথোক্কুনা মদুদগী লাকপা রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না এথলেটশিংনা শরুক য়াবা নত্রগা য়ারোইদবগী অয়াবা অদু লৈবাক অমগী এথলেটিক ফেদরেসন্না রিপোর্ট মাংজৌননা পীখৎকদবনি।

য়ু এস এ দা বেজ তৌবা মমাংগী এসিয়ান এথলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেডল ফঙখিবা বিকাস গোদানা কনফামেটরী ট্রাইয়েলদা মিটর ৫৭.৭৯ লংখি।

হায়রিবা পার্ফোমেন্স অদু শগোলশেন নুমিৎতগী হৌগদৌরিবা এসিয়ান এথলেটিক চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগদৌরিবা অতোপ্পা এথলেটশিংগী রেকোর্দ য়েংনরুবদা মেডল ফঙবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈরে হায়না ইন্দিয়াগী কোচ খরনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

নিংশিংবা য়াই বিকাস গোদানা ইন্দিয়াগী পুনে সিটিদা কুমজা ২০১৩দা পাঙথোকখিবা এসিয়ান এথলেটিক চেম্পিয়ন্সিপ্তা দিস্কস থ্রো অদু মিটর ৬৪.৯০ লংদুনা গোল্ড মেডল লৌখিবনি।

মদুগী মতুং চহি অনী লৈরগা কুমজা ২০১৫দা চাইনাগী সিটি ৱুহানদা পাঙথোকখিবা অকোনবা এসিয়ান এথলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ্তা মিটর ৬২.০৩ লংদুনা গোল্ড মেডল অমুক্কা ফঙখি।

গোদানা ভুবনেশ্বরগী ২২শুবা এসিয়ান এথলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা গোল্ড মেডল ফঙবা ঙম্লবদি গোল্ড অহুমলক থং-থংননা লৌবা হেদত্রিক্কী রেকোর্দ থমগদৌরিবনি।

বিকাস গোদা নত্তনা কনফামেটরী ট্রাইয়েলদা শরুক য়াখিবা অতোপ্পা এথলেটিক অদু মিটর ১১০গী হরদল লমজেলগী এথলেট সিধান্ট থিঙ্গলায়ানি।

মহাকসু বিকাস গোদাগুম এথলেটিক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা নোংমাইজিং নুমিৎতা শরুক য়াবা য়াবগী রিপোর্ট অদু পীখিবনি।

নিংশিংবা য়াই ইন্দিয়াগী অতোপ্পা এথলেট নুপাগী লোংজম্পদা সিধার্থ মোহন নাইয়েক অমসুং নয়ানা জেমস অমদি ত্রিপল জম্পগী এথলেট করটিক উনিকৃষ্ণমদিন অমসুং জে ই লাইন লোবো হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা ট্রাইয়েল মায় পাক্কুনা ক্কালিফাই ওইখি।

য়ুম্বু ইন্দিয়ানা নুপী এথলেট ৪৬ য়াওনা পুন্না এথলেট ৯৫না ভুবনেশ্বরগী চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগদৌরি।



# ইন্দিয়ানা কুমজা ২০১৯দা চহি ২০ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী য়ুম্বু ওইবা পাম্লি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৪ঃ

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)কী মাইকৈদগী ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না কুমজা ২০১৯দা ইন্দিয়ানা চহি ২০ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী য়ুম্বু ওইবগী অপাম্বা লৈ হায়খ্রে।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট প্রফুল পাটেলনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াদা ফুটবোলগী মশান্না চাওখৎহন্নবগীদমক লৌখৎলকপা য়াবা খ্বাইদগী অনৌবা খোংথাং অদু কুমজা ২০১৯দা লৈবাক অসিনা চহি ২০ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী য়ুম্বু ওইনবা হোৎনবা অসিনা ওইগনি হায়খি।

প্রফুল পাটেলনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা চহি অসিগী ওক্টোবর থাদা ইন্দিয়ানা চহি ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী য়ুম্বু ওইদুনা শেম-শাবা পুন্নমক লোইখ্রবা মতুং মখা তানা লৈবাক অসিদা ফুটবোল মশান্নগী অহেনবা পাঙ্গল লৈননবা চহি ২০ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিসু য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা ফুটবোলগী ঈহৌ অসি হেন্না শাগৎপা মতম য়ৌরে হায়খি।

নিংশিংবা য়াই চহি ২০ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদু চহি অসিগী অঙনবা শরুক্তা সাউথ কোরিয়ানা য়ুম্বু ওইখিবনি। অদুবু ফিফাগা কুপ্পা খন্ন-নৈন্নদুনা কুমজা ২০১৯দা ইন্দিয়ানা চহি ২০ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট য়ুম্বু ওইবা য়াবগী খুদোংচাবা কয়া অদু তান্নগনি হায়খি।



প্রফুল পাটেলনা ঙসি ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী থোকখিবা চেরোল অমদা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকখিবনি।

চহি অসিগী ওক্টোবর ৬দগী ২৮ ফাওবা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ফুটবোল ষ্টেদিয়ম ৬তা চহি ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্কদবনি।

ষ্টেদিয়মশিং অদুদি ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কোলকাতাদা লৈবা সোল্ট লেক ষ্টেদিয়ম, কেরেলাগী কোচিদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়ম, গোৱাগী মরগাওদা লৈবা ফতোরদা ষ্টেদিয়ম, মহারাষ্ট্রগী নবী মুম্বাইদা লৈবা দি ৱাই পাটিল ষ্টেদিয়ম, অসামগী গুহাৱাটিদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধি এথলেটিক ষ্টেদিয়ম অমসুং ন্যু দিল্লিদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মনি।

হায়রিবা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা চহি ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না টিম ২৪না শরুক য়াদুনা অথোই-অহেন তান্নগদৌরি।

# সরফ্রাজ অহমদনা পাকিস্টানগী ক্রিকেট টিমগী টেষ্ট কেপ্টেন ওইরগনি

ইস্লামাবাদ, জুলাই ০৪ঃ

হন্দক্তা ইংলেন্দ অমসুং ৱেলসনা পুন্না য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা আই সি সি চেম্পিয়ন ট্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা ইন্দিয়াবু মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা পাকিস্টান ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন সরফ্রাজ অহমদ লৈবাক অদুগী টেষ্ট ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন ওইনা খনখ্রে।

ঙসি পাকিস্টান ক্রিকেট বোর্দকী চিয়রমেন সাহয়ার খান্না ইস্লামাবাদতা লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সরিকনা থৌবু ওইদুনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন টিম অদু থাগৎপা ফোঙদোকপগী থৌরম অমদা সরফ্রাজ অহমদপু পাকিস্টান টেষ্ট ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন ওইগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

নিংশিংবা য়াই মমাং থাগী ১৮দা আই সি সি চেম্পিয়ন ট্রোফি ক্রিকেট ফাইনেলদা মীয়াম্না পার্ফোমেন্স ফরক্কনি হায়না থাজনখিদবা পাকিস্টান্না টাইটল লৌগনি আশা তৌখিবা ইন্দিয়াবু য়াম্না হেনবা মওংদা রন ১৮০ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন ওইরবা পাকিস্টানগী ক্রিকেট টিম অদু ওকপগী থৌরমদা লৈবাক অদুগী ক্রিকেট বোর্দকী চিয়রমেন সহায়ার খান্না হান্না টেষ্ট টিমগী কেপ্টেন ওইরম্বা মিস্বা উল হককী মহুৎ সরফ্রাজ অহমদনা ওইরগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

খাননা মখা তারদুনা সরফ্রাজ অহমদনা টেষ্ট টিমগী কেপ্টেন ওইবত্তা নত্তনা ৱান দে ইন্টরনেসনেল অমদি টি -২০গী ওইনসু পাকিস্টান ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন ওইরগনি হায়রি।

নিংশিংবা য়াই সরফ্রাজ অহমদনা মমাংগী চহিদগী হৌদুনা পাকিস্টানগী ৱান দে টিমগী কেপ্টেন ওইদুনা মেটচ ৯ শান্নবদা ৭ থোইরগা ২ মায়থিদুনা লাকখিবনি।

লোয়ননা টি-২০ মেটচ পুন্না ৮ শান্নবদা ৭ মায় পাক্লগা ১ মায়থিবা নংলি। চহি ৩০ শুরবা অহমদনা পাকিস্টানগী ক্রিকেট টিম অদুবু চহি অসিগী ওক্টোবর থাদা য়ু এ ইনা শান্নফম ওইরগা শ্রি লঙ্কাগা টেষ্ট অহুমগী সেরিজ শান্নগদৌরি।

ঙসি পাকিস্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সরিফনা ক্রিকেট টিমদা য়াওখিবা শান্নরোই খুদিংমক্তা লুপা মিল্লিয়ন ১০ / ১০ গী শেলগী মনা পীখি । অদুগা টিম মেনেজমেন্টকী মেম্বরশিংদনা লুপা মিল্লিয়ন ৫ / ৫গী শেলগী মনা পীখি।



# কুমজা ২০১৭ ময়াই চনশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী স্পোর্টসতা নুপাগী বেদমিন্টন শান্নরোইশিংনা লৈবাক অসিগী য়াম্না ফজবা মীংচৎ পুরকপা ঙমখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৪ঃ

মালেমগী বেদমিন্টন মশান্নগী লমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী মমিং চহি খরা অসিদা ময়েক শেংবা ঙম্লক্লি। চৎলিবা চহি ২০১৭তা মশান্না অসিগী ওইনা ইন্দিয়াগী নুপাগী বেদমিন্টন শান্নরোইশিংগী মরক্তা অফবা পার্ফোমেন্স কয়া উৎপা ঙমদুনা হান্না মমিং লৈরবা চাইনা, দেনমার্ক, মালেসিয়া অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোইশিংদগী হেন্না ফজবা ঙম্লি।



মমাংগী চহিদা ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা রিও ওলিম্পিক্সতা নুপীগী সিঙ্গলসকী সিলভর মেডল অদু পি বি সিন্ধুনা লৌদুনা য়াম্না ফজবা রেকোর্দ থাম্বা ঙমখি। মদুগী মমাং লন্দনদা পাঙথোকখিবা ২০১২গী ওলিম্পিক্সতা অতোপ্পা নুপীগী শান্নরোই সাইনা নেহৱালনা নুপীগী সিঙ্গলসতা ব্রোঞ্জ মেডল লৌদুনা ইন্দিয়াগী ওইবা অনৌবা রেকোর্দ থম্বা হৌখিবনি।

মতম অদুদা ইন্দিয়াগী নুপাগী মাইকৈদগীদি মেডল লৌবা য়াবগী তাঞ্জা ফঙদনা লৈখি।

কুমজা ২০১২দা ইন্দিয়াগী নুপীগী শান্নরোই সাইনা নেহৱালনা সিঙ্গাপুর, ইন্দোনেসিয়া অমসুং হোং কোং সুপর সেরিজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখিবদা নত্তনা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা কম্মন ৱেল্‌ঠ গেমসকী গোল্ড মেডল লৌখিবা অদুগী পার্ফোমেন্স ঙসি ফাওবদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপা অমদি নুপীগী লৈবা ঙমদে।

মহাক্কী মতুংদা পী ভি সিন্ধুনা ইন্দিয়ান ওপন টাইটল লৌবা ঙমখি। লোয়ননা মমাং চহিগী রিও ওলিম্পিক্সকী সিলভর মেডল ফঙদুনা নুপীগী বেদমিন্টনদা ইন্দিয়াগী অচৌবা জগা অমা কনবা ঙমখি।

অদুবু চহি খরা অসিদা ইন্দিয়াগী নুপাগী বেদমিন্টন শান্নরোইশিংগী মরক্তা পার্ফোমেন্স ফগৎলকপদগী মখোয়দগী হেন্না থাক ৱাংনা লৈবা শান্নরোই কয়া মায়থিবা পীবা ঙমদুনা টুর্নামেন্ট কয়াগী টাইটল লৌবা ঙম্লক্লি।

চৎলিবা চহি অসিদা ইন্দিয়াগী নুপাগী বেদমিন্টন শান্নরোই কিদমবি শ্রিকান্তনা ইন্দোনেসিয়া ওপন সুপর সেরিজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট লৌখ্রবা মতুং হন্দক্তা লোইশিনখিবা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন সেরিজ টাইটল লৌদুনা মহাক্কী কেরিয়রগী অহানবা ওইনা মকোক থোংনবা নুপাগী সিঙ্গলস বেদমিন্টন শান্নরোই ১০গী মনুংদা চনবা ঙম্লিবনি।

ইন্দোনেসিয়া ওপন সুপর সেরিজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অদুগী মাংওইননা পাঙথোকখিবা সিঙ্গপুর ওপন সুপর সেরিজদা কিদমবি শ্রিকান্ত ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। অদুবু ফাইনেল মেটচতা মহাক ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই বি সাই প্রনিতকী মখুৎতা মায়থিদুনা রন্নর্স অপ তাখি।

নিংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী কিদমবি শ্রিকান্তনা কুমজা ২০১৪দা পাঙথোকখিবা চাইনা ওপন টাইটল লৌবা ঙমখি।

মদুগী মতুং কুমজা ২০১৫তা ইন্দিয়া ওপন বেদমিন্টন টাইটলসু লৌবা ঙমখিবনি। অদুবু হৌখিবা চহিদা শোকপদগী মরুওইবা টুর্নামেন্ট কয়া শরুক য়াবা ঙমখিদ্রবা মদুং চৎলিবা চহি অসিদা অকনবা ট্রেনিং চত্থরগা শরুক য়ারকপদা য়াম্না মরুওইবা টুর্নামেন্ট অসি টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

চহি অসিগী ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই ঐচ এস প্রনোইনা রিও ওলিম্পিক্সকী সিলভর মেডালিষ্ট মালেসিয়াগী লি চোং ৱে অমসুং গোল্ড মেডলিষ্ট চাইনাগী চেন লোংবু মায়থিবা পীবা ঙমখি।

হায়রিবা পার্ফোমেন্স অসি ইন্দিয়াগী বেদমিন্টন শান্নরোই অমগী ওইনদি য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স ওইরিবনি।

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন সুপর সেরিজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী কিদমবি শ্রিকান্তনা সেমি ফাইনেলদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সাই প্রনিটপু মায়থিবা পীরম্লবা মতুং ফাইনেলদা ওলিম্পিক্স অমদি ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা চাইনাগী শান্নরোই চেন লোংবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখিবা অদু ইন্দিয়াগী বেদমিন্টনগী পুৱারিদা ময়েক শেংনা লৈহৌরগদবা পার্ফোমেন্স অমনি।

ইন্দিয়াগী বেদমিন্টনগী চিফ কোচ ওইরিবা পুলেলা গোপিচান্দনা মহাক্কী লমজিং মখাদা নুপীগী মাইকৈদা ওলিম্পিক্সকী মেডল অনী ফঙবা ঙম্বা শান্নরোই অনী পুথোকখ্রবা মতুং নুপাগী মাইকৈদসু মালেমগী ওইনা অচৌবা থাক য়ৌবা য়াবা শান্নরোই শেম্বা মতম ওইরে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

রিও ওলিম্পিক্সকী নুপীগী সিলভর মেডল ফঙখ্রবী পি ভি সিন্ধুনা ইন্দিয়াগী নুপাগী শান্নরোইশিংগী হোংলক্লিবা মশান্না অসিনা অফবা রিজল্ট কয়া পুরকপা ঙমখ্রে হায়বসু ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

চহি অসিগী ওগষ্ট থাদা লন্দনদা লৈবা গ্লাসগোদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ্তা মহাক্কী মাইকৈদগী টাইটল ফঙনবা অচৌবা মীৎয়েং থম্লি। লোয়ননা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলসকী শান্নরোইশিংনসু মখোয় মখোয়গী পার্ফোমেন্সশিং অদু খ্বাইদগী হেনবা মওংদা উৎতুনা ফজবা ঙম্নবা হোৎনগদবনি।

চিফ কোচ ওইরিবা গোপিচান্দনা ফোঙদোকখিবদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ লোইরবা মতুং চহি অসিদা পাঙথোরক্কদবা সুপর সেরিজ অমসুং সুপর সেরিজ প্রেমিয়র টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াদুনা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা মখোয় মখোয়গী ৱার্ল্ড রেঙ্কিং অদু হেনবা য়াবগী অচৌবা তাঞ্জা অমা লৈখি হায়রি।

দবলসকী মাইকৈদা ইন্দিয়াগী ওইনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা জুরা ৬তগী হেন্না ক্কালিফাই ওইদুনা মখোয়গী হান্না লৈরম্বা মশান্নগী থাক অদু হেন্না পুখৎলকপা য়াবগী তাঞ্জা অমসু ফঙলি।

ইন্দিয়াগী টিমদা ইন্দোনেসিয়া মচা মুলয়ো হান্দোয়ো অমসুং মহাক্কী এসিষ্টেন্ট হারিয়াৱান্না চহি অসিগী অহৌবদগী থৌ পুবা হৌদুনা ইন্দিয়াগী বেদমিন্টনগী থাক অসি হান্না লৈম্বদগী ফগৎহল্লকপনি হায়না মশান্না অসিবু পমজবা কয়ানা ফোঙদোরক্লি।

# অলটিমেট টেবল টেন্নিসকী টাইটল স্পোন্সর সিএটনা ওইরগনি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৪ঃ

থা অসিগী ১৩দগী চেনাইদা হৌদোক্কদৌরিবা অলটিমেট টেবল টেন্নিস (য়ু টি টি) গী টাইটল স্পোন্সর অদু তয়ার পুথোকপা কম্পনি সিএটনা ওইরগনি।

অলটিমেট টেবল টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসি ইন্দিয়াদা মমাংদা মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রবা ক্রিকেট লীগ, কবাদি লীগ অমসুং ফুটবোল লীগকী তুং ওইননা টেবল টেন্নিসকী মশান্নগী ওইনা মালেমগী থাক ৱাংবা শান্নরোই কয়া য়াওনা পাঙথোক্কদবা টেবল টেন্নিস লীগ অমনি।

সিএট লিমিটেটকী মেনেজিং দাইরেক্টর ওইরিবা অনন্দ গীয়োংকিয়ানা ফোঙদোকখিবদা টুর্নামেন্ট অসিনা টেবল টেন্নিস মশান্না অসিবু ইন্দিয়ানা অহোংবা অমা পুরকপা ঙমগনি হায়খি।

থা অসিগী ১৩দগী হৌরবা মতুং জুলাই ২১দা ন্যু দেল্লিদা অমুক মখা চত্থগনি। মদুগী মতুং জুলাই ২৬তা মুম্বাইদা সেমি ফাইনেল অমসুং ফাইনেল শান্নগনি।

টুর্নামেন্ট অসি ক্লব ৬ খায়দোক্তুনা ইন্দিয়া অমসুং ইন্টরনেসনেল শান্নরোই ২৪ / ২৪না শরুক য়াগদৌরি। ক্লব অমদা নুপা ৪ অমসুং নুপী ৪না টিম অমা শেমগদৌরি। মসিদা মপাল লমগী শান্নরোই ৪ য়াওগনি। অদুগা ইন্দিয়াগী ৪ য়াওগদৌরি। কোচসু ইন্দিয়াগী ১গা মপাল লমগী ১গা ওইগনি।

RD GRAFIX
RD Grafix
Celebrate with us ......
For the Completion of 1 year in Signage
Get Discount upto 20% Off on 3D Signage
VALID FROM 1st JULY - 31st AUGUST
Cell no. : +91 7085056257 WhatsApp no. : +91 8414934022
Sagolband Nepra Menjor Leikai & Babupara D.C. Road, Imphal-795001

Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*